**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 02-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর পুলিসনা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই কয়া ফাগৎলে।

২) প্রধান মন্ত্রিনা পি.এম. কিষানগী ২০ শুবা ইন্সটোলমেন্টকী মখাদা লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি ৯ লাখ ৭০ দা লুপা কোতি লিশিং ২০,৫০০ হেন্না বেঙ্ক এক্কাউন্টশিংদা হাপকনি।

অমসুং

৩) লৈবাক অসিনা ঙাকশেলগী খুৎশু খুৎলায় লৈবা মতমদা নেসনেল সেক্যুরিতিগী তঙাইফদবশিং অমদি মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং য়েংলগা লৈগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই কয়া ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা উয়ুমপোক মনিং লৈকাইদগী প্রিপাক রেড আর্মিগী সেল্ফ ষ্টাইল লেফটনেন্ট অমা ফারে। মহাক কে.সি.পি

(পি.দব্লিউ.জি) গ্রুপকসু মরী লৈনবা অমদি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি। মঙোনদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী লেট্টর হেদতা নম্বা দিমান্দ লেট্টর মঙা ফাগৎখি।

মণিপুর পুলিসনা ককচিং জিলাগী ৱাবগাই মাইরেনবম লৈকাইদগী প্রিপাক্কী এক্তিভ কাদর অমসু ফারে হায়রি। মঙোনদগী নোংমৈ মরু ৮ য়াওনা সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইভ এম.এমগী পিষ্টোল অমা ফাগৎখি।

চহি অসিগী মার্চ থাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুংদা লৈবা সরকারগী ওফিসিয়েল অমগী য়ুমদা নোংমৈ কাপশিনবদা চেন্নবা মীওই অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নিউ চেক্কোন ত্রাইবেল কোলোনিদগী মণিপুর পুলিসনা ফাগৎলে।

শাশিন্নবা বেঙ্ক এক্কাউন্ট শিজিন্নদুনা সাইবর ক্রাইমদা চেন্নে হায়বা অসামদগী মীওই অনি মমাং থাগী ৩১ দা মণিপুর পুলিসনা ফারে। মখোয় অনি তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা নমথাক তৌদুনা আধার অমদি বেঙ্ক এক্কাউন্টকী অকুপ্পা মরোলশিং খঙদোক্তুনা মীয়ামদগী শেল তানবা মীওইশিংনি।

মোইরাং (এল)ঃ এস.দি.সি মোইরাং, ও.সি. ইনচার্জ মোইরাং অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সকী অপুনবা ফ্লায়িং স্কৱাদ টিমনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং সবদিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা খোইরেনতাক অমদি থমাপোকপী লৌফমশিং মপু নত্তবা মীওইশিংনা লৌ উব্রা হায়বদু য়েংশিনখ্রে।

লৌফমশিং অদুগী মপুনা ৱাকৎলকপদগী সবদিভিজনেল ওফিসার মোইরাংগী লমজিং মখাদা মোইরাং সার্কলগী ফ্লায়িং স্কৱাদনা ঙরাং মফম অদুদা চত্তুনা হকথেংননা য়েংশিনখিবনি। ফিল্ড ভিজিৎকী রিপোর্ট অথুবা মতমদা সরকারদা লানখৎলগনি অমসুং তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎপীনবা তকশিল্লগনি হায়রি।

এৱার্দ (এল)ঃ মণিপুরনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মনুংদা ওর্গান দোনেসন অমসুং ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌবদা খ্বাইদগী ফবা রাজ্যগী মনা পীরগনি।

নিউ দিল্লিগী ডাঃ অম্বেদকর ইন্তরনেসনেল সেন্তরগী ভিম হোলদা ঙসি পাঙথোক্কদবা ১৫ শুবা ইন্দিয়ান ওর্গান দোনেসন ডেগী থৌরমদা কেন্দ্রগী হকশেল অমদি য়াইফ যুন্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা মনা অসি খুৎশিন্নগনি। রাজ্য অসিদা ওর্গান দোনেসন তৌদুনা মীওইবগী থৱায় কনবা অমদি লৈরিবা হেলথ কেয়ারগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অসি হেন্না ফগৎনবা হোৎরিবা অসিগী য়েংলবা মনা অসি পীগদবনি।

চান্দেল (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি স্কুলস ফোর রাইজিং ইন্দিয়া (পি.এম.শ্রী) প্রোগ্রামগী মখাদা চান্দেল জিলাগী জৱাহর নবোদিয়া বিদ্যালয়দা ঙরাং ওজা অমদি মহৈরোহশিংনা মতৌ করমা পুকিং লৈতানা অফবা ৱাখল খনদুনা মেন্টেল হেলথ ফহনগদগে হায়বগী মতাংদা তাকপী তম্বীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা প্রোফেসার আর.কে. লেনিন্না মতৌ করমা ওজাশিংনা মহৈরোইশিংগা লোয়নগদগে অমদি মহৈরোইশিংনসু মহৈ মশিং তম্বা মতমদা করমা পুকিং চংগদগে হায়বগী মতাংদা তাকপী তম্বীখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহাক্কী লোক সভা কেন্দ্র বরানাসিদা লুপা কোতি লিশিং ২,২০০ রোমগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং উরেপ উয়ুং তমগনি, খরনা শঙ্গাগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি ৮৮০ রোমগী ওইগদবা স্মার্ট দিষ্ট্রিব্যুসন প্রোজেক্টকী উরেপ উয়ুং তমগনি অমদি জল জিবন মিসনগী মখাদা রুরেল দ্রিঙ্কিং ৱাটর স্কিম ৪৭ সু মীয়ামদা খুৎশিন্নগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা পি.এম. কিষানগী ২০ শুবা ইন্সটোলমেন্টকী মখাদা লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি ৯ লাখ ৭০ দা দাইরেক্ত বেনিফিৎ ত্রান্সফরগী খুত্থাংদা পুন্না লুপা কোতি লিশিং ২০,৫০০ হেন্না বেঙ্ক এক্কাউন্টশিংদা হাপকনি। মসিগা লোয়ননা স্কিম অসিগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা পুন্না শেনফম লুপা কোতি লাখ ৩ লিশিং ৯০ ফংহল্লগনি।

পিএম কিষান (এল)ঃ পি.এম. কিষান সমান নিধি য়োজনাগী মখাদা ২০ শুবা ইন্সটোলমেন্ট পীবগী থৌরম পি.এম. কিষান দিবস ঙসি লমফেলপাৎতা লৈবা আই.সি.এ.আর রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর এন.ই.ঐচ রিজন মণিপুর সেন্তরদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মণিপুরগী চীফ সেক্রেতরি পুনিত কুমার গোয়ল অমদি রাজ্য সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি।

দিফেন্স ঃ লৈবাক অসিনা ঙাকশেলগী খুৎশু খুৎলায় লৈবা মতমদা লৈবাক অসিগী নেসনেল সেক্যুরিতিগী তঙাইফদবশিং অমদি মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং য়েংলগা লৈগনি।

ৱাফম অসি কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী ৱাঙাংলোই রন্ধির জৈসৱালনা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোংদোকখিবনি। নিউ দিল্লিনা লৈবাক অসিদা চংগদবা ইনর্জিগী পোৎলমশিং লৈবদা মালেমগী কৈথেলদা করি ফংলি অমদি হৌজিক মালেমগী মফমশিংদা ওইরিবা জিও পোলিতিকেলগী উংখৎনবশিং অসিনা লেপ্লি। মহাকা হায়- ভারত অমসুং রসিয়া অনিগী মরী অসি মতম শাংনা থাজনবা অমগী মতুংইন্না লৈরকপনি। লৈবাক অনিগী মরী অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংনা মখোয়গী খুদোংচাবা মীৎয়েংদগী য়েংবা চুমদে। ভারত অমসুং য়ু.এস অনিগী মরীগী মতাংদা

শ্রী জৈসৱালনা হায়- লৈবাক অনি অসি ৱাখল্লোন মান্নবা, গনতন্ত্র চৎপা অমদি লৈবাক অনিগী মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী লৈবা অসিনা মশক তাক্লি।

এৱার্দ ঃ    ৭১ শুবা নেসনেল ফিলম এৱার্দ নিউ দিল্লিদা লাউথোকখ্রে। বিদু বিনোদ চোপ্রানা দিরেক্সন পীবা হিন্দি ফিল্ম তুয়েল্ব ফেলনা বেষ্ট ফিচর ফিলম এৱার্দ ফংলে। ফিলম অসিগী লিদ রোল লৌরিবা বিক্রান্ট মাসে অমসুং জৱান ফিলমগীদমক সাহ্ রুখ খানবু বেষ্ট এক্টর ইন লিদিং রোলগী মনা পীরগনি । মিসেস চেত্তরজি ভর্সেস নোরৱেগী লিদ রোল লৌখিবা রানি মুখর্জিদা বেষ্ট এক্ত্রেস এৱার্দ পীরগনি।

ইদি ঃ   ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্টকী মখাদা দিল্লি, অহমেদবাদ, ভাবনাগর, ভুজ, গুরগাউ, কোলকাতা অমদি লুধিয়ানাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে। থিবা হুম্বগী থবক অদু একজিষ্ট মুচুয়েল ফন্দনা ইং কুমজা ২০১৮ দগী ২০২১ ফাওবগী মনুংদা চথখিবা আইন্না য়াদবা মওংদা শেন্দোং তানবগী থৌওংগা মরী লৈননা চথবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রাজ্য সভাদা চরাংনবা থোক্কুনা মণিপুরদা পি.আর শাংদোকপগী ৱারেপ খন্নখিদ্রে অমসুং চীং নীংখায়বনা মরম ওইরগা চুরাচান্দপুর অৱাৎপনা পীক থল্লে, এয়ার লিফট তৌদুনা চুরাচান্দপুরদা মথৌ তাবা তেংবাং পোৎলম পীখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

এস.দি.ও মোইরাংগী মীৎয়েং মখাদা মোইরাং সার্কলগী ফ্লায়িং স্কৱাদনা সবদিভিজন অদুগী মনুং চন্না লৈরিবা লৌবুক্তা চত্তুনা লৌ মপুনা লৌশিং অদু উরিব্রা হায়বা য়েংশিনখ্রে, অমসুং হোংলক্লিবা অঙৌং অশাগী খল অসিগা মরী লৈননা ত্রান্সফোর্মিং ফুড, লেন্দ এন্দ ৱাটর সিষ্টেম টু কম্বেট দ করেন্ট ক্লাইমেত ক্রাইসিস ইন মণিপুর হায়বা নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা আই.সি.এ.আর লমফেলপাৎতা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা মণিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না লাইকুপ থোকপা অমদি মসিবু থিংননবা তিকা কাপ্পগী মতাংদা অখন্নবা মীফম অমা ফমখ্রে অমদি মাও ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬ এ.এফ.এ আর্তিফিসিয়েল টর্ফতা হৌখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোং অমদি দিষ্ট্রিক্ট ৱাটর এন্দ সেনিতেসন মিসন্না পুন্না তমেংলোং জিলাগী চেংদাই অখুই খুলদা ড্রিঙ্ক ফ্রোম টেপ মিসন হৌদোকখ্রে অমদি মণিপুর সরকারনা ঈ-গেজেট পোর্তেল হাংদোকখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা গানফিউ মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এন.এস.সি.এন (আই-এম-অতো) কিলোন্সর টি.ঐচ মুইভা মশাগী অনাবা অমদগী দিমাপুরগী হোস্পিতাল অমদা লায়েংলি হায়বা পাউ অসিনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

জেদ.আর.এগী দেজিগনেতেদ কেম্প মশিং হন্থহনবা ঙমলোই হায়না শিখাঙ খাঙদুনা লাকখিবা অদু এম.ঐচ.এগী প্রেসরদা দেজিগনেতেদ কেম্প মশিং হন্থবদা য়ান্নবা পুররকখ্রে অমদি প্রসিদেন্ট রুল মনুংদা লৈঙাকা মথৌ পাঙথোরকপদগী গভর্নমেন্ট অমদি পাব্লিক লেন্দ খোপচিল্লিবশিং লেপ্তুনা তকথোরক্লি হায়বা পাউ অসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগী মখাদা অয়াবা পীখ্রবা এনিমেল হজবেন্দরিগী প্রোজেক্ট অনি মাংলগদ্রা চিংনরে অমদি বি.এস.এফকী এ.দি.জিনা গভর্নর উন্নদুনা সেক্যুরিতিগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------